# পুন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

হৌজিক হৌজিক ওইরিবা অৰাং নোংপোক্কি ফীভমসিদা অমদি তুংদা ওইরক্কদবা ফীভমশিং খন্দুনা অৰাং নোংপোক্কি লমদমশিং পুন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। অদুবু লাইবক থীবদি হন্দক্তা আই এল পি ফংলে হায়দুনা থাবল চোঙলুবা, হরাও নুংঙাই মথোই কারুবদি মতম চাদব্রা অমদি খরা থুমনব্রা খল্লি। অৰাং নোংপোক লমদমশিংদা সী এ বিগী অমদি সি এ এগী (সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট) মায়োক্তা ৰাকৎ খোঙচৎ কন্না চঙশিল্লিধৈঙে মরক্তা ইন্দিয়ানা করিগীদমক অসিগুম্বা তাঙ্ককসিদা আই এল পি খঙহৌদনা ইরমদম মণিপুরদা সেন্টরনা পীশিল্লক্লিবনো হায়বগী নুংগী ওইবা ৰাখল্লোন খঙদনা নত্রগা খঙশিন্নদনা হরাও মথোই কারুবনা অতোপ্পা অৰাং নোংপোক্কী লমদমশিংনা ঐখোয়বু য়াম্না ৰারৌরি, মরু ওইনা য়েলহৌমিশিংনা। ময়ামসু তাবীরম্লগনি সোসল মেদিয়াদা ত্রিপুরাগী য়েলহৌমিশিংনা অসাম নত্তনা অতৈ অৰাং নোংপোক্কী লমদমশিংবু, মরু ওইনা ইরমদম মণিপুরবু ৰারৌরিবা। মসিমক থোক্লুবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শিল্লিবনি হায়বসে ঐখোয়না কাউফম থোক্তবনি। করিগীদমক অসাম অমদি ত্রিপুরাবু আই এল পি পীদনা ইরমদম মণিপুর খক্তমক পীরক্লিবনো হায়বসি খন্থহৌবা য়াওদনা থাবল চোঙলুবা হৌজিক করি ওইরে, ৰারৌরে ঐখোয়বু।

অসিগুম্বা নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবগী ফীভমসে ঐখোয়দসু থোক্লিবনি মরু ওইনা হন্দক নাগা পিছ টোকর্কী মতাংদা। পিছ টোক অসিগী মতাংদা নত্রো ইরৈচা খুদিংমক্লা অসুক্কী মতিক মীপাইখিবা, ৰাখিবা অমদি লীশাং শিৎনা কোকোমিনা খোঙজং চঙশিনখিবা পিছ টোক অসিনা করম্বা পামদবা ফিরেপ অমা সেন্টরনা লেপলক্কদগে হায়বগী মতাংদা। করিগুম্বা মতমদা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেসতদি পিছ টোক অসিনা শোক্লোই হায়বগী পাও য়াওরগা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরবুদি পল্লক্তবদা ঐখোয়না কয়াদা নাইতোম তানা ৰাজখিবা। হৌজিকসু ৰারি ফিরেপ অমা খঙদ্রিবনিনা সেন্টরদগী। অসুম্না নাইতোম ৰারিঙৈ মতাংসিদা করিগুম্বদা অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেসনসু নাগা পিছ টোকসিগী মতাংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপদা ঐখোয়গী ৰাখল চাউথোকচবা ফাওরিবনি, হায়বদি ঐখোয় ইতোমতা নত্তে খঞ্জদুনা। মতৌ অসুম্না সী এ এগী মায়োক্তা হৌজিক হৌজিক অসাম অমদি ত্রিপুরাদা মৈ চাক্লিবা, অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিবা অমদি অশি অনা কয়া অমা য়াওরিবা অসিদা ঐখোয়না আই এল পি ফংলে হায়দুনা করিগী মতাং চাদনা নুংঙাইবা ফোংদোক্কদৌরিবনো। অতোপ্পা অৰাং নোংপোক্কি লমদমশিংদা অসুক কন্না সী এ বি অমদি সি এ এগী ময়োক্তা ঈরাং হৌরিঙৈদা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লিবনি হায়দুনা মথোং চাদনা থাবল চোঙবা অমদি য়াম্না কা হেনবা মওংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপদো ঐহাক্কী ওইনদি য়াম্না ইকায়জৈ অমদি নুংঙাইতবা পোকই মরু ওইনা অসাম অমদি ত্রিপুরাদা থোক্লিবা মিশি মিনা অসি য়েংলুরগা।

অৰাং নোংপোক্তা লৈরিবা লমদমশিং অসিদা তারিবা ঐখোয় অয়াম্বনা, মরু ওইনা য়েলহৌশিংদি ইমুং অমত্তদগী চাইথোকখিবা মচিন মনাওশিংনি হায়না লৌবা য়াই হায়বদি ঐখোয়গা মখোয়গগী মরক্তা লৈরিবা মমান্নবা অসি য়াম্না ৰাংবনা। অসিগুম্বা মান্নবগী শক্তম অসি মেন্দলেন্দ ইন্দিয়নশিংগদি য়াম্না নেম্মি, হায়বদি মান্নদবনা অয়াম্বনি। অদুগা লম্মিৎ-তুমিৎতা য়েংলুরবসু ঐখোয়সি তোঙান্না পিশক পিকপা য়েন মঙক্কুম্বা অপিকপা লম মচেৎ অমনা শমজিনদুনা লৈরিবনি। লম মচেৎ অসিননি ঐখোয় অৰাং নোংপোক্কা মেন্দলেন্দ ইন্দিয়াগা শম্নহল্লিবা। মরম অসিনা অৰাং নোংপোক্কী লমদম অমদা করিগুম্বা হীরম অমদা হেক শোক্লকপদা য়ূমথংনরিবা লমদমশিং অসিদা লোয়না শোক্লক্কদবা ঙাক্তনি। খদম ওইনা পঞ্জরবদা, অসামদা বাংলাদেসতগী থোমজিল্লকপা মীতোপ ময়াম অমা য়ূমথংনবদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসিদসু লোইনা য়ৌরক্লিবা অসিনি। ত্রিপুরদা থোমজিল্লকপা ময়ামসু অসাম অমদি অতৈ থংনবা ষ্টেটশিংদা অদুম চাইথোরক্লিবা অসিনবু আই এল পি লৈনা লৈনা মীতোপ থোমজিল্লক্লগনি হায়দুনা মীপাইদুনা সী এ বি অমদি সী এ এগী মায়োক্তা ঈরাং হৌরিবা অসিনি মিজোরাম, নাগালেন্দ, অরুনাচল অমদি মেঘালায়ানচিংবা ষ্টেটশিংদা। অদুগা ঐখোয়না থাবল চোঙদুনা লৈথোকপা চুম্ব্রা। ঐখোয়গী আই এল পি অসিনা করম্বা আই এল পি ওইরিবা। মসি ঐখোয়গী লৈঙাক্লা খঙদবরা নত্রগা পোলিটিকেল মাইলএজ লৌহৌনবা হোৎনবদা য়ূমথংনবা ষ্টেটশিংনা করি খনখিগনি খন্থহৌদবরা।

অৰাং নোংপোক লমদমশিং অসিদি তৎনা থানা য়াররোইদবা য়ূমথংনরিবা লমদমশিংনি। মফম অমদা শোকপদা থংনরিবা মফম অতৈসু লোইনা শোক্লকনি হায়বসি ঐখোয়না কাউরোইদবনি। ঐখোয় পুন্না হীরম খুদিংমক্তা চৎমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয়না পুন্না চৎমিন্নবা অসিনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খ্বাইদগী পামদ্রিবসু। মরম অসিনা নত্রো ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙাইহাক লৈতনা হিগাইৰা শান্নদুনা অমগা অমগা য়েংথীন্নবা, নুংশিনদনবা হোৎনরিবা। মসিমক থোক্লবা নৎত্রো হন্দক সী এ বিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী হোম মিনিষ্টরনা কৌরকপদা মণিপুরগী ষ্টেকহোল্ডরশিং তোঙান্না কৌরক্লিদো। অসুম্না দিবাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি শীজিন্নদুনা লাক্লি সেন্টরনা ঙসি ফাওবদা মসিদা ঐখোয়গী লুচিংবা শাবা অশেংবা মরৈপাক নুংশিবা নত্তবা লুচিংবশিং অসিনা মনা লৌনবা হোৎনরি। হন্দক আই এল পি পীরকপসি কনানা হোৎনবদগী পীরকপনো হায়রগদি মীচম মীয়াম্না হোৎনবদগী পীরকপনি হায়না থমজগে। মসিসু সী এ বি অমদি সী এ এ নমথবদা মতেং ওইনবা তাঞ্জা য়েংলগা পীরকপনি হায়না থমজগে। ইরমদম মণিপুরদা আই এল পি পীনিংদা পীনিংদা পীথোরকপসি য়াম্না নুংঙাই। অদুবু আই এল পি লৈরে হায়দুনা ঐখোয় সী এ এনা করিসু শোক্লরোই হায়না লৈঙাক্লা মীয়ামদা থাজহল্লিবদুদি অচুম্বা ওইরোই। অদুগা আই এল পিগা সী এ বিগসু থোইদোক্লা মরী লৈনদবা হীরম্লি। আই এল পি লৈরে হায়দুনা করিগী সী এ বি/সী এ এগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজং হন্দোক্লুরিবা মেনপেকনা। মেনপেক্কী খোঙজং হন্দোক্লুবা অদুনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী শৌগৎপা ৰাৎলে হৌজিক্তি লোয়ননা থংনরিবা ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংনা, মরু ওইনা অসাম অমসুং ত্রিপুরগী য়েলহৌমিশিংনা ঐখোয়দা ৰারৌবা পোক্লি, পোকফমসু থোকপনি। অসুক কুইনা সী এ বিগী মায়োক্তা চৎমিন্নদুনা লাক্লগা ঐখোয়না সী এ এগী শাফুবু করিসু ঙাকথোকপসু ঙম্লোইদবা আই এল পি ফংলে হায়দুনা খুদক্তা খোঙজং হন্দোক্লুবদি। ৰাখল থেনবা হায়বদুনি ঐখোয়গী মেনপেক। হৌজিক শমজিন্নবা হোৎনবদদি ৰানা থোক্লেদো।

ঐখোয়না আই এল পি চৎনরে হায়দুনা সী এ এনা করিসু শোক্লরোই হায়না লৈথোকপা য়াদ্রি। আই এল পি হায়সিদি চঙথোক চঙশিনগী ইচম চম্বা পর্মিট পীবা পীদবগী ৰাফম খক্তনি। মসিনা সী এ এনা পীরক্কদবা চৈথেংদি ঙাকথোকপা ঙম্লোই। মসিগী মরম ময়াম অমা লৈখ্রে। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ইরমদমগী য়েলহৌমিশিংদা করিসু শোক্লোই হায়রিবসি থাজবীগনু। মখোয়দি মখোয়গী ফমদু কোন্দুনা লৈনবা ঙাইহাক ঙাইহাক্কি পংহায়দা হায়বনি। করিসু শোক্লোইদবা লৈরগদি আই এল পি হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লবা মিজোরাম, নাগালেন্দ, অরুনাচলনচিংবা ষ্টেটশিংদা করিগী সী এ বি/সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা। আই এ পি লৈখ্রবা ষ্টেটশিং অসিদা অমুক্তা য়েংবীয়ু মীতোপ্পা পিক থন্না লৈরিবা। অদুগা আই এল পি চৎনদবা অসাম অমদি ত্রিপুরাদদি অমুক্কা হেন্না শাথিখ্রে। ত্রিপুরাগী য়েলহৌমী বাংলাদেশতগী চঙলকখিবা মীতোপ্পা কুপশিনখ্রে। মপু ওইনা লৈজরম্বা ত্রিপুরাগী য়েলহৌমীশিং কয়াদা তোন্না হিংলিবা ঙসি মরমদা মীতোপকুম। ঐখোয়সু মদু মঙাই। ইম্ফাল সিটি মনুংদা ময়াংশিংদা ঐখোয়না করিবু তৌবা ঙম্লিবগে। অদুগা অসামদসু মখোয়গী য়েলহৌমীগী মশীংদগী বাংলাদেসতগী থোমজিল্লকপা মীতোপশিংনা মশীং হেনগৎলক্তুনা মখোয়গী মরোল অমদি মনাৎসু মাঙখিগদৌরে হায়দুনা কিনরিবা। মরম অসিননি অসামদা অসুক্কী মতিক ঈরাং কল্লিবা সী এ বি/সী এ এগী মায়োক্তা। মসিদা ঐখোয়সু মখোয়গী মতেং পাংফম থোক্তবরা। অসামদা শোকপদি ঐখোয়দা শোকপা নত্তে হায়না খন্দোক্তুনা লৈবদি অপংবা তাগনি। অৰাং নোংপোক্কী থংনরিবা ষ্টেট অমদা হেক শোক্লপদা ঐখোয়দসু অদুম শোইদনা শোক্লক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা হৌজিক হৌজিক সী এ এগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি ঐখোয়নসু শৌগৎতুনা চৎমিন্নবা মথৌ তাই। সী এ এ অসিনা অরোইবা পামদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌইনশিন ওইগনি হায়না লৈথোকপসু চুম্লোই। করম্বা অৰাং নোংপোক লমদমশিংবু থুগাইনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কি অনৌবা খোঙথাং অমমুক লাক্কনি হায়বা ঙমদে। অনৌবা পামদবা থৌওং অমা সেন্টরনা লৌখৎলকপদা ষ্টেট অমদা হেক্তা ওইসনু ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নদুনা থেংনবা মথৌ তাই। নাইতোম থেংনবনদি করিগুম্বা হীরম অমতা থেংনবা ঙম্লোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কৈদৌঙৈদসু ঐখোয় অৰাং নোংপোক্কী লমদম খুদিংমক্লা পাম্লোইদবা থৌওং অমা হেক্তা লৌখৎলক্লোই। করিগুম্বা লৌখৎপা তারবসু ঐখোয়বু তোঙান-তোঙান থম্নবা হোৎনরক্কনি ষ্টেট অমদা নত্রগা অনীদা কান্নবা খরা পীশিন্দুনা নত্রগা হায়জিন্দুনা। মসিমক্কি হন্দক মণিপুরদা আই এল পি খঙহৌদনা পীশিলক্লিবা অসিসু। অসুম্না তৌরবদি মণিপুরদা ঈরাং তপথরে অদু ওইরবদি অসাম, ত্রিপুরাদা হৌরিবা ঈরাংসি নমথবদা খরা লায়না থোক্লে। মসি ঐখোয়না খনজিনবা মথৌ তাই।

লোইশিল্লকপদা ইরৈচা খুদিংমক্তা থমজনীংবদি, অৰাং নোংপোক্তা পামদবা থৌওং অমা সেন্টরনা হেক পায়খৎলকপদা ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নবা মথৌ তাই হায়বসিনি। থংনরিবা অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেট অমদা হেক শোক্লকপদা থংনরিবা অতৈ ষ্টেটশিংদসু শোইদনা শোক্লক্কনি হায়বসি খঙনা ঐখোয় অমনা অমবু মতেং পাংনবা হোৎনসি। হৌজিক হৌজিক সী এ এগী মায়োক্তা হৌরিবা খোঙজং অসিদসু ঐখোয় শৌগৎফম থোকই মরমদি মসিগী চৈথেং ঐখোয়সু শোইদনা য়ৌরক্কদৌরিবনি। পুন্না চৎমিন্নবনা য়াইফরে। য়াইফমিন্নরসি। ●






# মণিপুরগী চীং-তম অনীদা মীৎয়েং অমা

- ৰাংখেম শরৎচন্দ্র -

মণিপুরগী চীং-তম অনীদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী, মীতৈ-চীংমী অনীগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরীদা শিংচেপ থাবগী তমদা হিন্দু লাইনীং অমসুং চীংদনা খৃষ্টান লাইনীং অনীসিনা ওইবনি লৌনরি। য়েলহৌঙৈ মতমদগী চীং-তম অনীগী মরক্তা চারৌ-মৌলনবগী ৰারী মণিপুরগী পুৰারীদা ময়েক শেংনা য়াওরি। চীং-তম অনীগী ফোকলোরদা হৌজিক লৈরিবা মীতৈ কাঙলূপকী মনুংদা চীংদগী কুমথরক্তুনা তম্পাক্তা খুন্দাখিবশিংনা মপূং ওই হায়বসি শেংনা তাক্লি। ঙসি ঐখোয়না খঙনরিবা মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি পুৰারীগী থেঙ্খাং কয়াদা মায়কৈ কয়াদগী ইতিল্লখিবা শাগৈ-ফুরুপ কয়াগা তিনশিন্নদুনা ওইরকখিবা চহী লিশীং অনী হেন্না নিংখা-তম্না লৈরকখিবা ফুরুপ অমনি। মসিদা চীংদা খুন্দারিবা চীংমী ফুরুপ/শাগৈ কয়া অমসু মীতৈগা তিনশিনখ্রবনি। ৰাফম অসি চীং-তম অনীদা লৈরিবা মীতৈ-চীংমী অনীনা নীংশিংগদবনি। হিন্দু অমসুং খৃষ্টান লাইনীংনা মীতৈ-চীংমী অনীগী মরক্তা লাপথোক্লহনখিবনি হায়বসি ঐখোয়গী পুৰারীনা শেংনা উগনি। লাইনীং অনী অসিনা চীং-তম মীতৈ-চীংমী অনীগী মরক্তা লাপথোক্লহনবতা নত্তনা মীতৈনা মীতৈবুসু লাইনীংগী মরুমদা অমাং-অশেং খায়বা অমসুং ইন্থোকপগী অৰাবা মায়োক্লবা থৌদোকশিংসু লৈখি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং অমদা খৃষ্টান লাইনীং চৎলিবা চীংমীশিংগী মনুংদসু মশাগী খুন্দা অশিবা হকচাং লৈরোন চনবা য়ারোই হায়না অথিংবা পীখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রে (থোলীকনি হায়বগী)। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফালগী পাউচেশিংদা ফোঙখিবদু মীয়াম্না থেংনখ্রবনি। মতম অমদা লাইনীংগী মরুমদা অমাং-অশেং খায়বগী চৎনবী অসিনা চীংগী চীংমীশিংদতা নত্তনা মীতৈনা মীতৈবুসু মাংই হায়না ইন্থোক্লহল্লিবনি। মতম অদুদা অৰাবা নংলিবসি মীতৈশিংসু য়াওরিবনি। ফত্তবা চৎনবী অসিগী মায়োক্তনি ইচং থৌনা লেপখিবা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবত। লুচিংবা অসিননি মণিপুরগী চীং-তম অনীগী অপূনবা ফ্রন্ট অমা শাগৎখিবসু। মীতৈশিংগী মনুংদা ঙসিগী মীরোলনা মপা-মপু হাক্তক্তা শোয়খিবশিংদু খঙলক্তুনা নৌহৌননা অওনবা মায়ওন অমদা পুরক্তুনা অমত্তা ওইবা চীং-তম মীতৈ অমসুং চীংমীগী লীচিং শাগৎলক্লিবসিনি। পুৰারীগী থেঙ্খাং খরদা মীতৈ ইপা-ইপুশিংদা হিন্দু লাইনীংগী ফত্তবা লীচৎ তম্বীরম্বনা মীতৈ-চীংমী অনীগী খুন্নাইদা অকায়বা ওইহনখিবনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা বৃটিশ লোইলমগী মখাদা খৃষ্টান মিসনরিশিংনসু মীতৈ-চীংমী লাপথোকহনবদা ঈনোৎ হাপখিবনি। মসিগী মহয়না মীতৈ অমসুং চীংমী ইচিন-ইনাও অনীগী মরক্তা কয়া লাপথোকহনখ্রবা!

হৌজিক্তি চীংমী ইচিন-ইনাও খরনা (পূম্নমক্লদি হায়দে) তম্পাক্তা লৈরিবা মীতৈবু য়ূমলোন্নবনি হায়নবা হোৎনরি। মতম কুইনদগী মীতৈবু হুল্লগা (এন্টি-মীতৈ ঙাঙবা) মীখলগী মতমদা ভোট খোম্বা ঙসিমকসু চথবগী মওং উরি। মীতৈশিংগী মনুংদা ‘ঐখোয়তনা চীংমীবু ইচিন-ইনাওনি হায়। মখোয়নদি হায়দে’ হায়নবসু য়াওরি। এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা, মণিপুর মচা, মশানদি মণিপুর মচানি হায়নীংদবা, থুইঙালেং মুইভা অমসুং মহাক্কী তুংইনবশিংনা লমদম অসিগী চীংগী মীয়ামদা এন্টি-মীতৈ সেন্টিমেন্ট শাগৎলগা পান-নাগাগী মঙ মঙলি। ফুরুপ খুদিংমক ইথনো-সেন্ট্রিক ওইবগী মওংদা চঙশিন্নরক্লি। মণিপুর তম্পাক্কী লালহৌ লূপশিংতনা অপূনবা মণিপুর অমগী ৰাখল খল্লি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগী ৰাফম মীতৈতনা ঙাঙলি। মণিপুরদা লৈরগা গ্রেটর নাগালেন্দ, নাগালিম, কুকিলেন্দ, জোলেন্দগী ৰাফম ওইথোকপা য়াগদৌগুম্না ঈরাং শাগৎনরি। কোলোনিয়েল মাইন্দসেট লৈবা মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লসু য়োংগী তনয়েন তৌনবা হোৎনরি। তৌনরিবা মওং অসিনদি ফুরুপ মচা ওইরিবা মীশিং য়ামজদবা ঐখোয় য়েলহৌমীগী মাঙজবা নত্তনা করিসু কান্নবা ফংলোই হায়বসি খঙদবগুম্না তৌরি। পিকখ্রবা মণিপুরবু মা-মাগী অপাম্বা অমসুং অনীংবা মওংদা শায়েন-ঙায়েন্নবগুম্না শেগায়গনি খন্নরিবসিনা পোলোইদা মপাম চাকসু চাদ, মৰা চাকসু চাদ তাদুনা ঈচেল অচৌবনা থূমহৎখিদুনা মতম অমদা অসিগুম্বা ফুরুপ অমা লৈরম্মী হায়বগী ৰারীখক্তা লৈহৌবা নত্তনা অতৈ করিসু ওইরোই হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙমিন্নবা মতমনি। মালেম অসিদা মপাঙ্গল ফনা, মশক থোক্লা লৈরম্বা ফুরুপ নৎত্রগা লৈবাক, চাওখৎলোন (সিভিলাইজেসন) গী ঈরোলনুংদা লূপখিবগী খুদম-চাংদম লৈরিবশিং ঐখোয় মশেলনসু নীংশিংফম থোকই।

পনবা য়াবা ৰাফম অমনা চীংগী মীওই খরনা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী শেনফম তম্পাক্তদা থাদদুনা চীংনা চাওখৎপা থীল্লে; তমদা লৈবা মীতৈশিংতনা চাদুনা লৈরে হায়রি। মসিনা চীংগী মীয়ামদা এন্টি-মীতৈ সেন্টিমেন্ট শাগৎপদা অচৌবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরি। অদুবু মণিপুরগী চীংদা লৈরিবা মীয়াম্না মখোয়-মখোয়গী মীহুৎ ওইনা এসেমব্লি সেগমেন্ট ২০দগী থাগৎখিবশিংদুনা চীংমী মীয়ামগীদমক করি তৌরকখিবগে অমসুং তৌরিবগে হায়বদু কূপ্পা য়েংশিনবা মথৌনি।

কুমজা ১৯৭২দা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলবা মতুংদা চীংগী লুচিংবশিংগী মরক্তগী রিশাং কৈশিংনা চহী ১১ অমসুং য়াংমাসো সাইজানা চহী ২ মখায় পূন্না চহী ১৩ হেন্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। ওক্রম ইবোবীনা চহী ১৫ চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতমদা গাইখাঙমনা মতম কুইনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট এন্দ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ৰার্ক্স অমদি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ফাওবা ওইদুনা চীং-তম অনীগী থৌদাং পুদুনা মণিপুরগী লৈঙাক পায়খিবনি। চীংদগী কারকখিবা নাগা কুকি এম এল এ অতৈসু মিনিষ্টর ওইখিবা, ত্রাইবেল ৰেলফ্যেরগা মরী লৈনবা কম্মিটিশিংগী থৌদাং পুবা কয়াসু লৈরি। ৰেলফ্যের প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি। অদু ওইরবদি চীংনা শোত্থরিবসি করিগীনো হায়বদু খঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মীতৈশিংদা তাইনদুনা চীং-তম অনীগী মরীদা লাপথোক্লহন্নবা হোৎনরিবা মীওই খরনা খুদোংচাবা লৌবা নত্তনা চীংদা লৈরিবা মীয়াম্না কান্নবা ফংলোই। চীংগুম হীরম কয়াদা শোত্থবা খুঙ্গং কয়াসু তম্পাক্তা লৈরি। দিভলপমেন্ট লৈরে হায়রিবা ইম্ফাল ময়োল অসিদসু খুদোংচাদবা, সিভিক এমেনিটিজ মপূং ফানা ফংদবা হৌজিক ফাওবদা লৈরি। চীংদসু অদুমঙাই, চাওখৎ-থৌরাংগী কাইথোরকপা শেনফমশিং মওং চুম্না শীজিন্নদবা, মকোক মরূ ওইবা অমসুং মখোয়গী তুংইনবশিং খরনা মরন্নাইগী কান্ননবা মওংদা হৈনথোকপা ময়াম অসিনা ওইহল্লকপা ফীভমনি হায়বসি খন্থবা অমা মথৌ তাই। মীতৈদা মরাল শীরগা চাওখৎ-থৌরাংগী থাদরকপা শেনফমশিং মশাগী কান্ননবা মৎলিবা, হৈনথোক্লিবা, মরন্নাইগী লন-থুম লেপশিল্লিবদু কনানো হায়বা খঙদোকপা ফৈ। ষ্টেট অসিদা থাদরকপা চাওখৎ-থৌরাংগী শেনফমদা চীংগী শরুক লৌবা ঙম্বা মপুক শেংবা চীংগী মীয়ামগী অমসুং মণিপুরগী খনবা মীওইদা লুচিংবা হাপসি, মদুতদা চীং-তম থোং মান্ননা চাওখৎপা হায়বদু ওইগনি।

ঐখোয় মশেল হুন্নদুনা লৈবনদি কনাগীসু কান্নবা পুরক্লোস। ঐখোয়গী মনুং অমসুং মপান অনীদা য়েক্লবা য়াম্মী। ঐখোয়গী য়েক্লবা কনানো খঙনা চেকশিন্না চৎমিন্নবা অমসুং হিংমিন্নবা তঙাইফদে। শীংনরকপা খুদিংমক পূন্না থেংনমিন্নবগী মতমনি। মীতৈগী ৰাহৈদা ‘খুরক্কী ঈনা লাই শাবা’ হায়নরিবসিদগীনি খ্বাইদগী চেকশিনগদবা। মখোয় অদুদি কাঙ্খদা লীল লৈবগুম্বনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১০

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবসি ‘মর্জর এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদনি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী চৎনবা হৌখ্রবনি। য়ান-চে অদু অরোইবা মনীংতম্বা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা খূৎয়েক পীখিবনি।
(ক) ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা খূৎয়েক পীখিবা নুমিৎতু তারিখ কয়াদনো?
(খ) ‘মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু পূন্না আর্টিকল কয়া য়াওবগে?

২। “ঐহাক্লা কুমজা চুপ্পা থিরকপা মনীংতম্বা হায়দুদি/মালংবা নহাক্কী মপোক ওইরম্লে।” পরেং অনী অসি অইবী অমগী য়াৰানি। অইবী অদুনা ‘হেল্লোই হেল্লোই মী হেল্লোই’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। “মতমদুদা হে চান্নথোইরবা নঙনা/পুশিনবিগদ্রা নঙগী কাদা/অহিংগী তাংলৌদা/তূমখুন হুল্লমদাই।” পরেং মরি অসিনা ‘নঙবুনে ইনেমচা’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। “নঙসু চৎলু, ঐসু চৎকে/থম্মোয়গী মীহুনদি চোংই/খোঙথাং কনখৎসি পম্ভুং য়ৌনবা/লৈগুমসি লৈশিন্দুনা হিদেন অমদা।” পরেং মরিসিনা অইবী অমনা মাগী থম্মোয়দা পাউমেঞ্জবনি ‘চোয়রোলনি চোয়রোল’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদা। অইবীদু কনানো?

৫। “শুমাং খুদিং মেরা ৰা/থাওমৈ পরেং দিৰালী’ পরেং অনীসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।